# ঐচ আই এল ২০১৭ : উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসনা কলিঙ্গা লেন্সর্সপু ১০-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



ভুবনেশ্বর, জান্যুৱারী ৩০ :

রামন্দীপ সিংহ অমসুং অকশদীপ সিংহগী গোলনা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসনা মফম অসিগী কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) কী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা য়ুম্বু কলিঙ্গা লেন্সর্সপু ১০-০ দা মায়থীবা পীখি।

মায় পাকখ্রবা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসকী গোলশিং অদু অর্জেন্টিনাগী ফোরৱার্দ ওগষ্টিন মাজিল্লিনা ওপনিং মিনিটতা ফিল্ড গোল অমা, রামন্দীপ সিংহনা মেচকী মিনিট মরি অমদি মিনিট ২৩ দা গোল অনী অমসুং অকশদীপ সিংহনা মেচকী মিনিট ২৭ অমদি মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা গোল অনী চনখি।

উত্তর প্রদেশনা মেচ হেক হৌখিবদগী অকনবা এটেক তৌদুনা মায়োক্নখিবা কলিঙ্গাগী সাইদতা চঙশিনখি। কলিঙ্গাদি মখোয়গী প্লেয়রশিংগী মনুংদা অন্দরষ্টেন্দিং লৈনখিদবা অমদি দিফেন্সিবতা চেকশিনবা ৱাংখিবনা মায়থীনবগী চাউরবা মচাক ওইখি। মখোয়গী অরোইবা মেচতা রাঞ্চিরেজগী মায়োক্তা গোল তরেৎ চনশিনখিবনি। অদুবু মেচ অসিদদি মখোয়গী অশোয়বশিং চুমথোকপা ঙমখিদে।

মেচকী হেক হৌখিবা মিনিটতা য়ু পি ৱিজার্দসনা চঙশিনখিবা অকনবা শাফু অমদা মাজিল্লিনা ফিল্ড গোল অমা চনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মখোয়না মখা তানা গেম অদু দোমিনেট তৌখিদুনা মেচকী মিনিট ৪ চৎপা মতমদা রামন্দীপনা কলিঙ্গাগী গোলকিপর অভিনাভ পান্দেবু নক্নন্থৎলগা গোল অমগা চনশিনখি।

ভিজিটরনা মখা তানা গেম অদুনক্নৎনা চৎখি অমদি রামন্দীপনা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা মেচকী মিনিট ২৩ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ৬-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

য়ুম্বুগীদি নুমিৎ অসি নিংবা কায়বা হায়বদু ওইখি। য়ু পি ৱিজার্দসনা অতোপ্পা গোল অমগা মেচকী মিনিট ২৭ চৎপা মতমদা অকশদীপনা চনশিনখিদুনা ৮-০ দা লৈখি। ভিজিটরনা অহুমশুবা ক্বার্টরদসু য়ুম্বুবু দোমিনেট তৌনা চৎখি। য়ু পি ৱিজার্দসনা তৌখিবা এটেক অমদা পেনালটি অমা ফংখি অদুবু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। টিম অনীমক্না গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু ষ্ট্রাইকর অমত্তনা গোল চনবা ঙমখিদে।

মরিশুবা ক্বার্টরদা কলিঙ্গানা গোল চন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরকখ্রবসু য়ু পি ৱিজার্দসনা অথিংবা পীখিদুনা চলহনখিদে। য়ু পি ৱিজার্দসনা তৌখিবা এটেক অমদা অকশদীপনা মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ১০-০ দা লৈখিদুনা মায় পাকখি।

রোলেন্ট ওল্টমান্সনা কোচ ওইবা য়ু পি ৱিজার্দসনা মায় পাকখিবা অসিনা অপুনবা মেচ অনীদগী পোইন্ট তরুক ফংদুনা মরিশুবা স্পোটতা লৈখি। অদুগা কলিঙ্গানা গেম মরিদগী পোইন্ট তরা ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখি। দবাঙ মুম্বাইনা মেচ অহুমদগী পোইন্ট ১২ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা অমদি রাঞ্চি রেজনা অহুমশুবা মফমদা লৈখি।

# মুকুন্দনা ইন্দিয়া এবু লুচিংদুনা বাংলাদেশকা ৱার্ম-অপ মেচ শান্নগনি



ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ৩০ :

টামিল নাডুগী কেপ্টেন অভিনাভ মুকুন্দনা মেম্বর ১৪ না শাবা ইন্দিয়া এ টিমবু লুচিংদুনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৯ দা শান্নগদৌরিবা টেষ্ট মেচকী মাঙওইননা বাংলাদেশকা ৱার্ম-অপ মেচ শান্নগনি।

ইন্দিয়া এ টিমদা ওল-রাউন্দর জয়ন্ট যাদভ য়াওরে। মহাক্না ইংলেন্দগা শান্নখিবা সেরিজদা শোকখি অমদি মেচ অসিদা য়াওবা তারগসু মহাক্কী ফিটনেস টেষ্ট তৌরবা মতুংদা য়াওগনি। মহাক্কী কেস অসিমক হরদিক পন্দয়াগসু মান্নরি। পন্দয়ানা ইংলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা মোহালি টেষ্ট অদুগী মঙওইননা পাঙথোকখিবা প্রেক্টিস সেসন মনুংদা শোকখিবনি। মহাকসু ফিট ওইরবদি শান্নবা য়াওগনি।

টিমদা য়াওরিবা মেম্বর ১৪মক রঞ্জি ট্রোফিদা শরুক য়াখিবশিং য়াওনা রন গেট্টর প্রিয়াঙ্ক-পানচাল অমদি টোপ ৱিকেট-টেকর শাভাজ নদীম য়াওরি।

স্কাদ অসিগী শিংথানিঙাই ওইবা অমনা ৱিকেট কিপর অহুম য়াওখিবা অসিনি। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা ইশান কিষন য়াওরি। মহাক লিষ্ট অসিদা ৱিকেটকিপর ওইনা য়াওরি। অতোপ্পাশিং অদুনা রিশাভ পান্ট অমদি সিজন অসিদা খ্বাইদগী ৱাংবা অনীশুবা স্কোরর ওইরিবা হরিয়ানাগী নিটিন সাইনিনি।

নুমিৎ নীনি পাঙথোক্কদৌরিবা মেচ অসি ওফিসল ওইবা ফার্ষ্ট ক্লাস গেম অমা ওইরোই। মুম্বাইগী টোপ রন গেট্টর শ্রেয়াস আইয়রনা এ লেভেল্লদা য়াওবগী খুদোংচাবা ফংখি অদুগা টামিল নাডুগী ওল-রাউন্দর ভিজয় শঙ্করসু স্কাদকী শরুক অমা ওইখি।

লেফট আর্ম সীমর রাজস্থানগী অনিকেট চৌধরি অমদি হায়দ্রবাদকী হান্নগী ইন্দিয়া অন্দর-১৯ গী চামা মিলিন্দসু টিমদা য়াওরি।

ইন্দিয়া এ টিমগী স্কাদ মেম্বরশিং অদুদি অভিনাভ মুকুন্দ (কেপ্টেন), প্রিয়াঙ্ক কিরিট পানচাল, শ্রেয়াস আইয়র, ইশাঙ্ক জাগি, রিশাভ পান্ট, ইশান কিষন (ৱিকেট-কিপর), ভিজয় শঙ্কর, হরদিক পান্দয়া, শাভাজ নদীম, জয়ান্ট যাদভ, কুলদীপ যাদভ, অনিকেট চৌধরি, সি পি মিলিন্দ অমদি নিটিন সাইনি।

# অভিনাভ বিন্দ্রা, পুল্লেলা গোপিচান্দ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মেম্বর নিপানগী ওলেম্পিক টাস্ক ফোর্সতা য়াওরে



ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ৩০ :

ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ওলেম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট অভিনাভ বিন্দ্রা অমসুং নেসনল বেদমিন্টন কোচ পুল্লেলা গোপিচান্দনা লাক্কদৌরিবা মথংগী ওলেম্পিক গেমস অহুমদা লৈবাক অসিগী এথলেটশিংনা মেদল লৌবা ঙম্নবা এক্সন প্লানশিং শেম্ন-বগীদমক স্পোর্ট মিনিষ্ট্রিগী মখাদা মেম্বর নিপানগী টাস্ক ফোর্স অমা শেমখিবা অদুদা য়াওরে।

ইন্দিয়ানা মেদল অনীখক্তমক লৌবা ঙমখিবা রিও ওলেম্পিক্স হেক লোইখিবা নোংঙানবগা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাক্কদৌরিবা মথংগী ওলেম্পিক্স অহুম- কুমজা ২০২০, কুমজা ২০২৪ অমদি ২০২৮ দা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মশক থোক্লা শরুক য়াদুনা মেদলশিং লৌনবগী মতাংদা থৌশিল থৌরাংশিং পুথোক্কুনা মতেং পাংনবগীদমক টাস্ক ফোর্স অমা লিংখৎকনি হায়না লাউথোকখিবনি।


টাস্ক ফোর্স অসিগী অতোপ্পা মেম্বর মঙা অদুনা স্কুল স্পোর্টস প্রমোসন বোর্দকী হেদ ওম পাথক, শাহাবাদতা একাদেমী অমা চলাইরিবা হোকি কোচ এল বালদেভ সিংহ, ফরিদাবাদকী মানভ রাচনা ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর অমদি দিন ওফ এক্সরসাইজ এন্দ ফিজিওলোজি জি এল খানা, জর্নেলিষ্ট রাজেশ কালরা অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ গুজরাটকী দিরেক্টর জেনরেল সন্দীপ প্রধাননি।

মফম অসিদা টাস্ক ফোর্স অদুবু লাউথোক্লদুনা স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজয় গোয়েলনা পাউমীশিংদা হায়খি, কম্মিটি অসিগী মতম অসি থা অহুম নৎত্রগা মসিগী রিপোর্ট পীখৎপা মতম ফাওবা ওইগনি।

মহাক্না হায়খি, কম্মিটিগী চেয়রমেনগী মথৌ অসি রোটেস্নেল বেসিসতা চৎথগনি অদুগা প্রধাননা কনভিনর ওইগনি। টাস্ক ফোর্স অসিগী মরু ওইবা থবক্তি ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মথংগী ওলেম্পিক গেমস অহুমদা মতীং থোক্লা শরুক য়ানবগীদমক শোর্ট টাম, মেদিয়ম টার্ম অমদি লোং টার্ম মেজরশিং য়াওনা কম্প্রেহেন্সিব এক্সন প্লানশিং পুথোকপনি।

মসিগী পায়খৎকদবা থৌশিল থৌরাংশিংগী মনুংদা য়াওরিবা অতোপ্পা পোইন্টশিংদি ২০২০ ওলেম্পিক্সতা কোর প্রোবেবল / মেদল প্রোস্পেক্টশিং মশক খঙদোক্কুনা পুথোকপনি। মসিদা মখোয়গী কোচশিং অমদি সপ্পোর্ট ষ্টাফসু য়াওরে। লোয়ননা কুমজা ২০২৪ অমদি কুমজা ২০২৮ গী ওলেম্পিক্সকীদমক টেলেন্ট ওইরবশিং মশক খঙদোকপগী সিষ্টেম, এলিট স্পোর্টসপার্সনশিংগী ৱর্ল্ড ক্লাস সপ্পোর্ট সিষ্টেমগী কম্পোনেন্টশিং মশক খঙদোকপা অমদি মশক থোক্লা কোচিং ষ্টেন্দার্দ লৈনা চাউখৎহনবা, টোপ লেভেলগী এথলেটশিং ট্রেন তৌবদা মথৌ তাবা স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অপগ্রেদ তৌবা অমদি ফোরেন ট্রেনিং অমদি টোপ লেভেল এথলেটশিং এক্সপোজর তৌবগী সজেসনশিং পুথোকপা য়াওরি।

# নিকোলা অদামসনা প্রোফেস্নেল বোক্সিংদা মায় ওনশিনখ্রে



লন্দন, জান্যুৱারী ৩০ :

গ্রেট বৃটেন (জি বি) বোক্সিংনা নিকোলা অদামসপু মহাক্কী কন্ট্রেক্ট অদুবু লোইশিনহন্দুনা অতোপ্পা কেরিয়র অমদা চৎখিনবা খুদোংচাবা পীখিবদগী অনীরক ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইখ্রবী বোক্সর অসিনা প্রোফেস্নেল বোক্সর ওইনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসদা শিংথানিঙাই ওইবা বোক্সর অমা ওইবা ঙমখ্রবী অমদি লাক্লিবা টোকিয়ো ওলেম্পিক্স ২০২০ দদি বৃটিশ টিমদা য়াওররোইদবী মশাগী চহী ৩৪ শুরবী বোক্সর অসিনা মহাক্কী ওফিসল ট্বিটরদা ফোঙদোকখিবদা ঐগীদমক্তদি অনৌনা চহীচা অমা হৌরগনি অমদি লাক্কদৌরিবা অহোংবা অসিদা মায় পাকপগী খোঙথাং অমদা লাক্কুনা অনৌবা পাউ খরা অথুবা মতমদা লাউথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

জি বি বোক্সিংগী দিরেক্টর রোব মেকক্রেক্কেননা হায়খি, নিকোলাবু এমেচর রেঙ্কতগী থাদোক্লে হায়বসি অচুম্বনি। ঐখোয়না মহাকপু টোকিয়ো গেমস ফাওবা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নহন্নিংলবসু মহাক্না লৌরক্লিবা অনৌবা ফীরেপ অসিবুদি ঈকাই খুম্নে অমদি মহাক্না লৌরকপা খোঙথাং খুদিংমক মায় পাকপা ওইসনু। নিকোলানা ওলেম্পিক অমদি বোক্সিং মশান্নদা অচৌবা মফম আ কন্দুনা লাক্লি।

মহাক্না মহাক্কী বোক্সিং কেরিয়রদা মায় পাক্লা চঙশিনবা ঙমখ্রে অমদি ওলেম্পিক্স বোক্সিংগী গোল্ড মেদল লৌবা মালেমগী অহানবা নুপী ওইখ্রবা মতুং রিও গেমসদসু অনীশুবা মেদল লৌদুনা মশান্না অসিগী পুৱারীদা মহাক্কী চাউরবা মফম অমা কনবা ঙমখ্রে। মহাক শক্লাইরবা এম্বাসেদর অমা ওইবদা নত্তনা জি বি বোক্সিংনা হৌখিবা চহী নিপান অসিদা মায় পাক্কুনা চঙশিল্লক্লিবা অসিদা মহাক্কীসু চাউরবা শরুক য়াওরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।


নিকোলা অদামসনা আইয়রলেন্দগী লন্দন গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট কেটি টেলর অমদি ক্লারেসা সিল্ডগুম্ন া মহাক্কী লেমহৌরিবা পুন্সিসু প্রোফেস্নেল বোক্সর অমা ওইনা লেল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

অমরোমদা, প্রোফেস্নেল বোক্সরশিংনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈরবসু জি বি বোক্সিংনা মখোয়গী মেম্বর ওইবশিংতবু মমাঙদা থমগনি হায়বগী অচেৎপা ৱাফম থমখ্রবনা অদামসনা টোকিয়ো গেমসদা মহাক্কী অহুমশুবা গোল্ড মেদল লৌনবগী খুদোংচাবা অমুক হন্না ফংলরোই হায়বগী থাজবা মীয়ামদা লৈরি।

অদামসনা মহাক্কী এমেচর কেরিয়রদা মেজর টাইটলশিং লৌবা ঙমখ্রে। কুমজা ২০০৭ তা অদামসনা ইংলেন্দগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা অহানবা নুপী ফাইটর ওইখ্রবা মতুং অশোকপনা মরম ওইদুনা মহাক্কী কেরিয়রদা চাউনা শিংনখ্রবসু অমুক হল্লক্কুনা কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসদা চাইনাগী রেন কানকানবু ফাইনেলদা কাঙললুপ্পা মায়থীবা পীদুনা ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌবা অহানবা মালেমগী নুপী বোক্সর ওইখি। মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা রিও গেমসদা মহাক্কী ওলেম্পিক টাইটল ঙাকথোকপা ঙম্বা মালেমগী অহানবা নুপী বোক্সর ওইবসু ঙমখি।

মমাঙদা য়ুরোপিয়ন অমদি কমনৱেল্থ গেমসগী গোল্ড মেদলশিং লৌখ্রবী বোক্সর অসিনা কুমজা ২০১৬ তা থাইলেন্দগী পিমৱিলাই লাউপিমবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ টাইটল লৌখি।

# ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন ২০১৭ কী চেম্পিয়ন রোজর ফেদররনা টোপ টেনগী মনুংদা হল্লকপা ঙমখ্রে



পেরিস, জান্যুৱারী ৩০ :

রোজর ফেদররনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা মহাক্কী ১৮রকশুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা ঙমখিবা অদুনা এ টি পিগী টোপ টেনগী মনুংদা হল্লকপা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ৩৫শুরবা স্বিস অসিনা মহাক্কী মতম কুইনগী রাইভেল ওইদুনা লাকখ্রবা রফেল নদালবু নোংমাইজিং নুমিৎতা মেলবোর্নদা শান্নখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা সেট মঙাদা মায়থীবা পীখিবদগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিংদা মফম তরেৎ কাখৎলগা তরাশুবা মফমদা লৈখি। ফাইনেল মেচ অদুদা ৬-৪, ৩-৬, ৬-১, ৩-৬, ৬-৩ দা মায়থীহৌখিবা নদালনা মফম অহুম কাখৎলগা লিষ্টকী তরুকশুবা স্পোটতা লৈখি। লিষ্ট অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদগী য়াম্না ঙন্না মপান থোকখিবা এন্দি মরে অমদি নোভাক জোকোভিচনা মথংশিংনা অহানবা অমদি অনীশুবা মফমদা লেংদনা লৈরি।

মমাঙ চয়োলদা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ফেদররগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবা ষ্টান ৱারিঙ্কানা মফম অমা কাখৎলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখি।

মেলবোর্নদা পাঙথোকখিবা অহানবা গ্রান্দ স্লাম মেচকী মরিশুবা রাউন্দদা এন্দি মরেবু মায়থীবা পীরমখিবা জর্মনিগী মিসচা জভেরেভনা মফম ১৫ কাখৎলগা ৩৫শুবা পোজিসনদা লৈখি। রেঙ্কিং অসি মহাক্কীদমক্তদি খ্বাইদগী ফবা ওইরি।

জভেরেভকী নহা ওইরিবা মনাওনুপা অলেকজেন্দরনা মফম অনী কাখৎলগা ২২শুবা মফমদা লৈখি। অলেকজেন্দরনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দদা নদালগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবনি।

ইনৌ নৌনা থোকখিবা এ টি পি রেঙ্কিংদা মকোক মথং লৈরিবা প্লেয়রশিং অদুদি অহানবদা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মরে (পোইন্ট ১১,৫৪০), অনীশুবদা সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচ (পোইন্ট ৯,৮২৫), অহুমশুবদা স্বিসকী ষ্টান ৱারিঙ্কা (পোইন্ট ৫,৬৯৫), মরিশুবদা কনাডাগী মিলোস রাওনিক (পোইন্ট ৫,৬৯৫), মঙাশুবদা জপানগী কৈ নিশিকোরি (পোইন্ট ৪,৮৩০), তরুকশুবদা স্পেনগী রফেল নদাল (পোইন্ট ৪,৩৮৫), তরেৎশুবদা ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিক (পোইন্ট ৩,৫৬০), নিপানশুবদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম (পোইন্ট ৩,৪০৫), মাপনশুবদা ফ্রেঞ্চকী গেল মোনফিলস (পোইন্ট ৩,৪৪৫), তরাশুবদা স্বিসকী রোজর ফেদরর (পোইন্ট ৩,২৬০), তরামাথোইশুবদা বেলজিয়মগী দেভিদ গোফিন (পোইন্ট ২,৯৩০), তরানিথোইশুবদা চেক রিপব্লিক্কী টোমাস বার্দির্চ (পোইন্ট ২,৭৯০), তরাহুমদোইশুবদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভ (পোইন্ট ২,৭৬৫), তরামরিশুবদা ফ্রেঞ্চকী জো-ৱাইলফ্রাইদ সোঙ্গা (পোইন্ট ২,৬৮৫), তরামঙাশুবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওস (পোইন্ট ২,৪১৫), তরাতরুকশুবদা স্পেনগী রোবার্টো বৌটিষ্টা (পোইন্ট ২, ৩৫০), তরাতরেৎশুবদা ফ্রেঞ্চকী লুকাস পৌল্লে (পোইন্ট ২,১৩১), তরানিপানশুবদা ফ্রেঞ্চকী রিচার্দ গ্যাসগেট (পোইন্ট ১,৯৭৫), তরামাপনশুবদা ক্রোসিয়াগী ইভো কার্লোভিক (পোইন্ট ১,৮৭৫) অমদি কুনশুবদা য়ু এস এগী জেক সোক (পোইন্ট ১,৮৫৫) নি।

# সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংদা টোপ স্পোটতা হল্লকখ্রে

মেলবোর্ন, জান্যুৱারী ৩০ : য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী লেজেন্দ সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ৱিমেন'স টেনিস এসোসিএসন (দব্লিয়ু টি এ) গী নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা সিঙ্গলস রেঙ্কিংদা জর্মনগী এঞ্জেলীগ কার্বরগী মহুৎ শিন্দুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে।

সেরেনানা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচতা মহাক্কী মচে ভেনস ৱিল্লিয়মসপু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবনি। সেরেনানা অপুনবা পোইন্ট ৭,৭৮০ ফংদুনা মকোক্তা লৈখি অদুগা কার্বরনা পোইন্ট ৭,১১৫ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা কুমথরগা লৈখি। কার্বরনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা ৱিল্লিয়মসতগী টোপ স্পোটকী মফম মুনখিবনি। ৱিল্লিয়মসনা থংন-থংননা চয়োল ১৮৬ চূপ্না রেঙ্কিংগী নম্বর ৱান ওইখিবনি।

দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংদা লৈরিবা প্লেয়রশিং অদুদি অহানবদা য়ু এসকী সেরেনা ৱিল্লিয়মস (পোইন্ট ৭,৭৮০), অনীশুবদা জর্মনিগী এঞ্জেলীগ কার্বর (পোইন্ট ৭,১১৫), অহুমশুবদা চেক রিপব্লিক্কী কারোলিনা প্লিস্কোভা (পোইন্ট ৫,২৭০), মরিশুবদা রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপ (পোইন্ট ৫,০৭৩), মঙাশুবদা স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা সিবুলকোভা (পোইন্ট ৪,৯৮৫), তরুকশুবদা পোলেন্দগী অকনিজকা রাদৱানস্কা (পোইন্ট ৪,৯১৫), তরেৎশুবদা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা (পোইন্ট ৪,৭২০), নিপানশুবদা রসিয়াগী সভেটলানা কুজনেটসোভা (পোইন্ট ৩,৯১৫), মাপনশুবদা য়ু এসগী মেদিসন কিজ (পোইন্ট ৩,৮৯৭) অমদি তরাশুবদা বৃটেনগী জোহন্না কোন্টা (পোইন্ট ৩,৭০৫) নি।

# ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু রন মঙাদা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ অসি ১-১ দা মান্ননা লৈখ্রে



নাগপুর, জান্যুৱারী ৩০ :

ইন্দিয়ানা মফম অসিদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা টুয়েন্টি ২০ ইন্টরনেসনলগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ইংলেন্দবু রন ৫ দা মায়থীবা পীদুনা মেচ অহুমগী সেরিজ অসি ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখ্রে।

মেচ অদুদা ইংলেন্দনা টোস ঙমখি অমদি হান্না বোল লংনবা খনখি। ইন্দিয়ানা অহানবা বেট্টিং তৌখিদুনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা অপুনবা রন ১৪৪ লৌদুনা ইংলেন্দগীদমক অনেম্বা টার্গেট রন ১৪৫ পীরমখি। মদুগী পাউখুমদা ইংলেন্দনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ১৩৯ খক্তমক লৌখিদুনা ইন্দিয়াগী মখুৎতা রন ৫ দা মায়থীহৌখি।

ভিরাট কোহলি অমসুং কে এল রাহুলনা য়ুম্বুগীদমক অহানবা বেট্টিং তৌখি। কোহলিনা বোল ১৫ দা রন ২১ খক্তমক লৌরম্লগা য়াম্না থুনা ক্রিজদগী মপান থোকখি। মহাক্কী ওপনিং পার্টনর লোকেস রাহুলনা বোল ৪৭ তা ফোর তরুক অমদি সিক্স অনী য়াওনা অপুনবা রন ৭১ লৌদুনা ইন্দিয়াবু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। ইন্দিয়ানা রন ৬৯ খক্তমক লৌবা ঙমখিবা মতম অদুদা মীওই অহুম আউট ওইখি। মনিশ পান্দেনা বোল ২৬ তা রন ৩০ লৌরমখি অদুগা যুভরাজ সিংহ (৪) অমদি ধোনি (৫) য়াওনা ইন্দিয়ন টিমগী মিদ্দল ওর্দর বেটসমেন অমত্তনা মশক থোক্লা শান্নবা ঙমখিদে।

ক্রিস জোর্দাননা ৱিকেট অহুম লৌখি অদুগা মোইন অলি, অদিল রাশিদ অমদি টাইমাল মিল্লসনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ইন্দিয়াগী পাউখুমদা ইংলেন্দসু মখোয়গী অহৌবা ইন্নিংসতা নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদে। মখোয়না রন ২২ খক্তমক লৌখিবা মতমদা ৱিকেট অমা আউট ওইখি। ইন্দিয়াগী অশিস নেহরানা অনীশুবা ৱিকেট ওইনা জেসন রোয়বু লৌথোকখি। ইংলেন্দগী স্কিপর ইওইন মোর্গাননা অহুমশুবা ৱিকেট ওইনা ক্রিজদগী থোকখিবা মতমদা ভিজিটরগী ওইনা ওভর ১০ দা রন ৬৫ লৌরগা ৱিকেট ৩ তুখি।

ইংলেন্দগী ওপনর জেসন রোয় (১০) অমদি সেম বিল্লিংস (১২) না মতিং থোক্লা মখোয় টিমগীদমক শান্নবা ঙম্লমখিদবনা মায়থীনবগী মচাক ওইখি। জো রুট (৩৮) অমসুং বেন ষ্টোক্স (৩৮) না অনীশুবা টি-২০ মেচ অসি মায় পাক্কুনা সেরিজ অসি লৌনবা হোৎনখ্রবসু ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ লৌদুনা রন ২০ খক পীখিবা জস্প্রিট বুমরাহনা ইংলেন্দগী বেটসমেনশিংবু নিংথিনা শান্নবা ঙমহনখিদে। জস্প্রিট বুমরাহনা প্লেয়র ওফ দ মেচ তাখি।

ইংলেন্দগী বেন ষ্টোক্সপু ক্রিজদগী থোকখিবদা টিমদা চাউরবা শাফু পীখি। মহাকপু অমিট মিশ্রানা ৱিকেট ওইনা লৌথোকখি অদুবু মদু নো-বোলনি হায়না দিক্লার তৌখি। বুমরাহনা অরোইবা ওভরগী অনীশুবা দিলিভরিদা জোষ্ট বট্টলরবু লৌথোকখিদুনা ইন্দিয়ানা মশক থোক্লা রন ৫ দা মায় পাকপা ঙমখি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN Foundation Course for Class I to X Starts: 5th Jan. 2017

5th Open Mega Mock Test for HSLCE 2017

RE - SCHEDULED TIME TABLE

| Date & Day | 31/01/2017 (Tuesday) | 02/02/2017 (Thursday) | 04/02/2017 (Saturday) | 08/02/2017 (Wednesday) | 12/02/2017 (Sunday) | 15/02/2017 (Wednesday) |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Subject | Science | MIL (Man, El. Man.) | English | Social Science | Mathematics | Addl. Sub |

TOPPERS of 2016



1st Position Sohana Laishram Nirmalabas H/S
2nd Position Naorem Suzanna Nirmalabas H/S
3rd Position M. Vasundhara Little Flower H/S
8th Position Wosoron C Tiny Tots
9th Position Sindia A Nirmalabas H/S
10th Position Yaisana A Nirmalabas H/S
10th Position Chetanna RK Nirmalabas H/S
11th Position Selina K Nirmalabas H/S
12th Position Malemnganbi Kh Little Flower H/S
12th Position Joyson Haokip Heritage
14 Position Jessica L
15 Position Tanya G
16 Position Ningthem H
20 Position Eunice Y
21st Position Th. Krishnakant
22nd Position Sylvest K
23rd Position Reeturani L
23rd Position K. Ghanapyari
24th Position Themson Saka
25th Position Taibanganbi Kh

Contact : 9856988840 / 9402897710 / 8732022342
BOARDING FOR BOYS & GIRLS

HL-B/3606/12/01-11/02